HUEIYEN LANPAO

# য়ু এস লেজিসলেচরশিংনা য়েমেনদা মতেং পাংনবা প্রসিদেন্ট বাইদেনদা তকশিনখ্রে



ৱাশিংটন, মে ০৫ (এজেন্সী) :

লালনা মরম ওইরগা কা হেন্না ফীভম শোকহল্লবা য়েমেনদা মতেং পাংনবগীদমক য়ুনাইটেদ ষ্টেট লেজিসলেচরশিংনা বাইদেনদা তকশিনখিবগা লোয়ননা য়েমেনদা থোক্লিবা হ্যুমেনিটেরিয়ন ক্রাইসিস অসি মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী শাথিবা অমনি হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা য়ু এস সেনিটর মরিনা সেক্রেটেরি ওফ ষ্টেট এন্তোনি ব্লিনকনদা অইবা চেরোল অমা পীশিন্দুনা খঙহনখ্রে। চেরোল অদুদা য়েমেনদা শেলগী তেংবাং পীনবা অমদি অতোপ্পা লৈবাকশিংনসু মতেং পাংহন্নবগীদমক য়ু এসনা হৌদোকপা হায়বা ৱাফমশিং য়াওরি।

লালনা মরম ওইরগা কা হেন্না ফীভম শোকহল্লবা য়েমেনদা মতেং পাংনবগীদমক য়ুনাইটেদ নেসন্সনা ফন্দ রাইজিং তৌনবা আপীল তৌখ্রবা মতুং য়ু এস লেজিসলেচরশিংনা মতেং পাংনবা তকশিনখিবনি। বাইদেন এদমিনিষ্ট্রেসন্না য়েমেনদা দোল্লর মিল্লিয়ন ১৯ মতেং পাংনবা ফিরেপ লৌখ্রে।

য়েমেনদা হৌজিক হৌজিক য়ামদ্রবদা দোল্লর বিল্লিয়ন ২.৫ রোম হেন্না মথৌ তারি। য়েমেননা মথৌ তাবা শেনফম অসিগা য়ু এসনা পাংগদৌরিবা অসিগা য়াম্না খেন্নরি। য়েমেনিস মিল্লিয়ন ২০ লোম হ্যুমেনিটেরিয়ন এসিষ্টেন্সকী মতেংনা হিংদুনা লৈরি। হায়রিবা মীওইশিং অসি মালেমগী মীয়াম্না মিরাইফম থোক্তে।

য়েমেনদা দরকার ওইরিবা শেনফম অদু খোমগৎনবগীদমক স্বিজরলেন্দ অমসুং স্বিদেননা ফন্দ রাইজিং কনফরেন্স অমা শিনখ্রে। কনফরেন্স অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা লৈবাকশিং অদু হৌজিক ফাওবগী ওইনদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি।

য়েমেনদা সাওদি অরবিয়া অমসুং য়ুনাইটেদ অরব ইমরেটনা মতেং পাংবা গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংগা হৌথি রেবেলশিংগা অকনবা মওংদা খূৎ থোক্নদুনা লাক্লি। মদুনা মরম ওইরগা য়েমেন মনুংদা মরাল লৈজদ্রবা মীওই কয়া শিহনখ্রে। অদুগা কয়া অমনা ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা অতোপ্পা লৈবাক্তা লাঞ্জেন্নহল্লি।

হৌজিক হৌজিকসু ইরাননা বেক তৌবা হৌথি রেবেলশিংনা য়াম্না তোয়না গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংদা এটেক চথুরি। রেবেলশিংনা য়েমেনগী কোনুং সনা য়াওনা অতোপ্পা মরু ওইবা মফম কয়া ওকুপাইদ তৌখ্রে। য়েমেনগী প্রসিদেন্ট রবু মনশ্বর হাদিনা হীরম অসিগী মতাংদা ইন্তরনেস্নেল কম্যুনিটিশিংনা মীৎয়েং চঙবীনবা আপীল কয়ারক তৌবা লৈখ্রে। নাকল অনীগী মরক্তা নোংমৈ কাপ্নবগী থৌদোক্লা অৱাবা তাহল্লবা মীওই মিল্লিয়ন কয়া অদুবু মতেং পাংবা হায়বসি মথৌ তাই হায়রি।

# য়ু এস অমসুং নেটোনা অফঘানদগী মখোয়গী লান্মীশিং লৌথোকখিবা অদুনা খুদোংথিবা থোকহল্লকপা য়াই

ৱাশিংটন, মে ০৫ (এজেন্সী) :

য়ু এস স্পেসল ফোর্সনা ওসামা বিন লাদেন হাৎখিবা চহী ১০ মপুং ফাখ্রবা মতুং য়ু এস অমসুং নেটোনা অফঘানদা দিপ্লোয় তৌদুনা লৈরিবা মখোয়গী ক্রুপশিং মে অমদগী লৌথোকপা হৌখ্রে। অফঘান মনুংদা থোক্লিবা লৈবাক মনুংগী ওইবা ৱাথোক অদু নাকল অনীগী মরক্তা ৱারী শানদুনা ৱারোইশিন পুরকপনা অফবা খোঙথাং ওইগনি হায়না নোংচুপথংবা লৈবাকশিংনা ফোঙদোক্ল খ্রবা মতুং অফঘানদা দিপ্লোয় তৌরিবা ক্রুপশিং লৌথোকপা হৌখিবনি।

চহী ২০ লোম অফঘান গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিং অমসুং ৱেষ্টর্ন ফোর্সশিংগা পুন্না টালিবানগী মথক্তা কাউন্টর ইন্সরজেন্সি ওপরেসন কয়া চথদুনা লাক্লি। অদুবু চহী অসিগী অঙনবদগী য়ু এসতা জো বাইদেনগী লৈঙাক লাকখ্রবা মতুং অফঘানদগী য়ু এস ক্রুপশিং লৌথোক্নবা ফিরেপ লৌখিবনি। চহী কয়া য়ু এস অমসুং নেটো ফোর্সশিংনা অফঘান গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংগা খূৎশম্নদুনা চথখিবা কাউন্টর ইন্সরজেন্সি ওপরেসনদা ৱেষ্টর্ন লান্মী ১,৫০০ হেন্না শিখি। অদুবু খ্বাইদগী হেন্না লাইবকথিরিবদি য়ু এস অমসুং নেটোগী ক্রুপশিং অফঘানদগী লৌথোকপা হৌখিবা অসিনি হায়না মায়কৈ কয়াদগী ফোঙদোক্নরক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা রাইটস গ্রুপ অমনা ফোঙদোকখিবদা অফঘানদা ঈং তপ্পা পুরক্ল বগীদমক নোংচুপ লৈবাকশিংনা লৌরিবা ফিরেপ অদু থাগৎনিংঙাই ওই। অদুবু নোংচুপ লৈবাক্কী লান্মীশিং অফঘানদগী লৌথোকখিবা মতমদা



খুদোংথিবা কয়া মায়োক্লগদৌরিবা অসি অফঘানগী মীয়াম অমসুং অফঘান ফোর্সশিংনি। টালিবান ফাইটরশিংনা মতম লৈবা পূম্নমক্তা গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংদা টার্গেট থমদুনা এটেক চথুরি।

নোংচুপ লৈবাকশিংগী লান্মীশিংনা অফঘান ফোর্সশিংদা পীরম্বা মতেং অদু লৌথোকখ্রবদি টালিবাননা অহেনবা থবক থৌওং কয়া চথরকপা য়াবগী অকিবা লৈ। ৱাশিংটন অমসুং টালিবানগী মরক্তা নাকোয়ননা ৱারী শাবা হৌখ্রবসু মদুগী চপ চাবা ৱারেপ অমা লৌবা লৈত্রিবনা মরম ওইরগা টালিবাননা করি তৌরক্কদগে হায়বা খঙবা ঙমদ্রি।

থা খরগী মনুংদা অফঘান মনুংদা সিভিল ৱার থোক্লবা য়াবগী অকিবসু লৈ হায়না রাইটস গ্রুপ অসিনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা প্রসিদেন্ট বাইদেনগী ফিরেপ অমুক হন্না খন্থহন্নিংঙাই ওই হায়রি। অফঘান গভর্ণমেন্ট অমদি টালিবান অনীগী মরক্তা ৱারী শাদুনা ৱারোইশিন পুরকপা হায়বসি অরাইবা নত্তে। নোংচুপ লৈবাক্কী দিপ্লোমেটশিং য়াওদনা নাকল অনী খক্কী ওইনা ৱারী শান্নবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লবা য়ানা লৈ। কোভিদ-১৯ না অকনবা চৈথেং পীরিঙৈ মরক অসিদা নোংচুপ লৈবাকশিংনা লৌরকখিবা ফিরেপ অসিনা মরম ওইরগা অফঘানগী মীয়ামদা চরাংনবা কয়া পোকহল্লে হায়রি।

# ব্রাজিল দে ক্যের সেন্তরদা থাঙনা এটেক চথদুনা মীওই ৫ হাৎখ্রে

ব্রাজিল, মে ০৫ (এজেন্সী) :

মশাগী চহী ১৮ লোম শুরবা নহা অমনা সমুরাই ষ্টাইলগী থাঙ অমা পায়দুনা ব্রাজিলদা লৈবা দে ক্যের সেন্তর অমদা চঙলক্তুনা এটেক চথখিবগী থৌদোক্তা অঙাং ৩ য়াওনা দে ক্যের সেন্তর অদুগী ষ্টাফ অনী শিরে হায়না লোকেল পুলিসশিংনা ফোঙদোরক্লি।

পুলিসনা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না থাঙ পায়বা মীওই অদুনা এটেক চথদুনা মীওই ৫ হাৎখ্রবা মতুং মহাক মশাসু মশাগী মবুক অমদি মঙকশমদা মশানা পায়রকখিবা থাঙ অদুনা লেন্দুনা শিজনবা হোৎনখি হায়রি। মহাক পুলিসনা অরুবা ফীভমদা হোস্পিটালদা পুখত্তুনা লায়কন্নরি।

ওফিসলশিংনা থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা মীওই অদুগী মতাংদা চপ চানা খঙহল্লকপা লৈত্রি। অদুমওইনমক মহাক মমাং মতমদা ক্রিমিনেল রিপোর্ট অমত্তা লৈত্রিবা মীওইনি হায়রি। থৌদোক অদু থোকপগী পাউ অদু হেক ফংবগা ফয়র ফাইটরশিং দে ক্যের সেন্তর অদুদা চঙশিনখি। মখোয়না মফমদুদা থুংখিবা মতমদা অঙাংশিং অদু হান্ননা শিদুনা লৈরম্মী হায়না ইমর্জেন্সি ৱার্কর লিয়োনার্দো একোনা ফোঙদোরক্লি। থৌদোক অদুদা অঙাং খরসু অশোক অপন নংখি হায়না পুলিস চীফ জেরোনিমো মার্কেলনা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা এটেক অদু করম্বা ৱাখল্লোনদা চথখিবনো হায়বদু অথুবা মতমদা খঙবা ঙম্ন বা হোৎনরগনি। অমরোমদা ঙসি থোকখ্রিবা থৌদোক অদু গভর্ণর দেনিয়েলো রেনরনা অৱাবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মতুংদা অসিগুম্বা মখলগী থৌদোকশিং থোক্তবা ওইরসনু হায়রি।

# ন্যুজিলেন্দগী প্রাইম মিনিষ্টর জসিন্দা আরদর্ন লাক্লিবা থা খরা অসিদা লুহোংলগনি: রিপোর্ট

ৱেল্লিংটন, মে ০৫ (এজেন্সী) :

ন্যুজিলেন্দগী প্রাইম মিনিষ্টর জসিন্দা আরদর্ন লাক্লিবা থা খরা অসিদা লুহোংনবা প্লান তৌবা লোইখ্রে। অদুবু করম্বা থাদা অমদি করম্বা নুমিত্তা লুহোংগদগে হায়বদুদি হৌজিক ফাওবগী ওইনা মীয়ামদা চপ চানা খঙহল্লকপা লৈত্রি হায়না লোকেল মীদিয়া রিপোর্ট অমনা ঙসি ফোঙদোরক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা জসিন্দানা কোষ্ট রেদিওদা ফোঙদোকখিবদা মহাক অমসুং মহাক্কী পার্টনর টেলিভিজন হোষ্ট ক্লার্ক গেফোর্দকা লুহোংনবগী মতম লেপ্লে হায়খি। মশাগী চহী ৪০ রোম শুরবী জসিন্দা অরদর্ন অমসুং চহী ৪৪ রোম শুরবা গেফোর্দকা হৌখিবা কুমজা ২০১৯ গী ইষ্টর হোলিদে মনুংদা এঙ্গেস তৌখিবনি। মখোয় অনীগী চহী ২ রোম শুরবী মচানুপী অমসু লৈরে।



মরু ওইনা ন্যুজিলেন্দদা দিসেম্বর থাদগী হৌরগা ফেব্রুৱারী থা ফাওবদা লুহোংবগী কুম্মৈ পাকশন্না পাঙথোক্লে। অদুবু মহাক্কী ওইনদি কা হেন্না চাওথোক্ল া লুহোংবগী কুম্মৈ শিনবগী ৱাখল লৈত্রে। ব্রাইদেল পার্টি শিনবগী ওইনসু মহাক চহী খরা য়াল্লবনিনা কা হেন্না চাওনা শিল্লরোই হায়না মীদিয়াশিংদা ফোঙদোকখি হায়রি।

জসিন্দা হৌখিবা কুমজা ২০১৭ তা ন্যুজিলেন্দগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরকখিবনি। লৈবাক অদুদা প্রাইম মিনিষ্টর ওইখিবদা খ্বাইদগী নহা মহাক্না ওইরি। মহাক মশা মীরোল্লিঙৈ মতমদা ইলেক্সনদা মায় পাক্লকখিবনি। লৈবাক অদুদা তৌবা ঙম্বা প্রাইম মিনিষ্টরগী মনুংদা মহাকসু অমা ওইরি।

# মালেমদা কোভিদ-১৯ না খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লবা লৈবাকশিং

| Country, Other | Total Cases | New Cases | Total Deaths | New Deaths | Total Recovered | Active Cases |
|---|---|---|---|---|---|---|
| | World | 155,073,626 | +103,442 | 3,243,615 | +2,937 | 133,310,163 |
| 1 | USA | 33,274,659 | | 592,409 | | 25,966,389 |
| 2 | **India** | **20,665,148** | **+6,914** | **226,188** | **+19** | **16,951,731** |
| 3 | Brazil | 14,860,812 | | 411,854 | | 13,442,996 |
| 4 | France | 5,680,378 | | 105,387 | | *4,717,083* |
| 5 | Turkey | 4,929,118 | | 41,527 | | 4,554,037 |
| 6 | Russia | 4,847,489 | +7,975 | 111,895 | +360 | 4,464,550 |
| 7 | UK | 4,423,796 | | 127,543 | | 4,234,772 |
| 8 | Italy | 4,059,821 | | 121,738 | | 3,524,194 |
| 9 | Spain | 3,544,945 | | 78,399 | | 3,222,697 |
| 10 | Germany | 3,448,182 | | 84,285 | | 3,084,700 |
| 11 | Argentina | 3,047,417 | | 65,202 | | 2,717,458 |
| 12 | Colombia | 2,919,805 | | 75,627 | | 2,737,757 |
| 13 | Poland | 2,811,951 | +3,896 | 68,482 | +349 | 2,540,684 |
| 14 | Iran | 2,591,609 | +15,872 | 73,568 | +349 | 2,039,427 |
| 15 | Mexico | 2,352,964 | +3,064 | 217,740 | +395 | 1,875,211 |
| 16 | Ukraine | 2,090,986 | +2,576 | 45,077 | +161 | 1,697,358 |
| 17 | Peru | 1,818,689 | | 62,674 | | 1,688,091 |
| 18 | Indonesia | 1,691,658 | +5,285 | 46,349 | +212 | 1,547,092 |
| 19 | Czechia | 1,639,248 | +2,405 | 29,479 | +23 | 1,568,630 |
| 20 | South Africa | 1,586,148 | | 54,511 | | 1,509,656 |
| 21 | Netherlands | 1,524,527 | | 17,221 | | *1,284,925* |
| 22 | Canada | 1,249,950 | | 24,396 | | 1,142,854 |
| 23 | Chile | 1,219,064 | | 26,696 | | 1,155,630 |
| 24 | Iraq | 1,086,141 | | 15,608 | | 971,793 |
| 25 | Philippines | 1,073,555 | +5,685 | 17,800 | +178 | 993,042 |
| 26 | Romania | 1,060,895 | +1,564 | 28,616 | +142 | 1,002,985 |
| 27 | Belgium | 999,627 | +2,731 | 24,367 | +45 | *876,674* |
| 28 | Sweden | 988,554 | | 14,091 | | *817,752* |
| 29 | Pakistan | 841,636 | +4,113 | 18,429 | +119 | 738,727 |
| 30 | Israel | 838,697 | | 6,369 | | 831,090 |
| 31 | Portugal | 837,715 | | 16,981 | | 797,901 |
| 32 | Hungary | 785,967 | +1,130 | 28,173 | +128 | 538,965 |
| 33 | Bangladesh | 767,338 | +1,742 | 11,755 | +50 | 698,465 |
| 34 | Jordan | 715,703 | | 8,955 | | 694,427 |
| 35 | Serbia | 694,473 | | 6,456 | | 648,438 |
| 36 | Switzerland | 667,380 | +1,795 | 10,676 | +9 | 594,764 |
| 37 | Austria | 626,239 | +1,644 | 10,311 | +20 | 595,877 |
| 38 | Japan | 607,626 | | 10,420 | | 534,836 |
| 39 | UAE | 529,220 | +1,954 | 1,601 | +3 | 509,658 |
| 40 | Lebanon | 529,205 | | 7,368 | | 472,133 |
| 41 | Morocco | 512,285 | | 9,038 | | 499,089 |
| 42 | Malaysia | 424,376 | +3,744 | 1,591 | +17 | 389,846 |
| 43 | Saudi Arabia | 421,300 | | 7,006 | | 404,707 |
| 44 | Bulgaria | 406,192 | | 16,609 | | 342,226 |
| 45 | Ecuador | 391,242 | | 18,863 | | 329,582 |
| 46 | Slovakia | 384,317 | +708 | 11,886 | +31 | *365,618* |
| 47 | Panama | 365,619 | | 6,248 | | 355,499 |
| 48 | Belarus | 363,732 | +1,138 | 2,592 | +10 | 354,212 |
| 49 | Nepal | 359,610 | +8,605 | 3,475 | +58 | 289,783 |
| 50 | Greece | 349,936 | | 10,668 | | 315,808 |
| 51 | Croatia | 339,412 | +2,494 | 7,315 | +51 | 319,962 |
| 52 | Kazakhstan | 332,369 | +2,298 | 3,796 | +34 | 284,371 |
| 53 | Azerbaijan | 322,761 | | 4,597 | | 296,875 |
| 54 | Georgia | 315,913 | +2,171 | 4,207 | +24 | 296,532 |
| 55 | Tunisia | 314,152 | | 11,016 | | 266,696 |

# য়ু এসনা ইন্দিয়াদা পাংবা য়াবা মতেংশিং পাংলি

ৱাশিংটন, মে ০৫ (এজেন্সী) :

ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা অনীরকশুবা ওইনা অকনবা চৈথেং পীরকখিবা অদুদা মতেং ওইনবগীদমক য়ু এসনা ইন্দিয়াদা পাংবা য়াবা মতেংশিং মপুং ফানা পাংলি হায়না য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা ঙসি ফোঙদোরকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ গী কেস লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলকপদগী লৈবাক অদুদা লৈরিবা মীয়াম্না খ্বাইদগী হেন্না মায়োক্লরিবা অৱাবা অসি হোস্পিটালদা অনাবা থম্নবা মফম লৈরক্তবা অমদি কোভিদ পেসেন্টশিংনা শীজিন্ননবা ওক্সিজেনগী সপ্লাই ৱাৎলকপা অসিনি। য়ু এস য়াওনা অতোপ্পা লৈবাকশিংনা ইন্দিয়াদা অৱাৎপা লৈরিবা ওক্সিজেন অমদি ভেন্টিলেটরগী সপ্লাই পীবা হৌখ্রে। মখা তানসু পীখিগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোরক্লি।

# চহী ১২ শুরবা অঙাংশিংদা ফাইজর কাপ্পদা অয়াবা পীখ্রে

কনাদা, মে ০৫ (এজেন্সী) :

মশাগী চহী ১২ শুরবা অমদি মথক্তা লৈরিবা নহাশিংদা কোভিদ ভেক্সিন ফাইজর-বাইওএনটেক ভেক্সিন কাপ্পদা কনাদা গভর্ণমেন্টনা অয়াবা পীখিবগা লোয়ননা মালেমগী ওইনা চহী ১২ শুরবা অঙাংদা কোভিদ ভেক্সিন কাপ্পা য়াবগী অয়াবা পীবা লৈবাক কনাদানা অহানবা ওইরি। কনাদাগী চীফ মেদিকেল এদভাইজর সুপ্রিয়া সর্মনা ফোঙদোকখিবদা চাংয়েং কয়া পাঙথোক্লবা মতুং চহী নৌরিবা অঙাংশিংদা ভেক্সিন অসি কাপ্পদা অকায়বা লৈতে হায়না খুদম ফংখিবদগী কোভিদ ভেক্সিন অসি কাপ্নবা ফিরেপ লৌখিবনি। অহলশিংদা কাপ্পা য়াবগুম চহী নৌরিবা অঙাংশিংদসু ভেক্সিন অসি কাপ্পা মতমদা সাইদ ইফেক লৈতে হায়রি।

# ইজরেলনা চথরকখিবা এটেক্তা মীওই অমা শিরে, ৬ শোক্লে

দমাসকস, মে ০৫ (এজেন্সী) :

সিরিয়াগী অৱাং নোংচুপ থংবা শরুকশিংদা ইজরেলনা চথরকখিবা এটেক কয়া সিরিয়ান এয়র দিফেন্সনা অয়াম্বা ইন্তরসেপ তৌবা ঙমখ্রবসু মিসাইল অনী লতাকিয়াদা তাশিন্দুনা পোকখায়খিবগী থৌদোক্তা মীওই অমা শিখিবগা লোয়ননা ৬ শোকখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ইজরেলনা সিরিয়াদা মিসাইল কাপশিন্দুনা এটেক চথবগী থবক য়াম্না তোয়না চথদুনা লাক্লি। ঙসি নোংঙাল্লমদাই পুং ২.১৮ তারকপা মতমদা এটেক অদু চথরকখিবনি। সিরিয়াগী এয়র দিফেন্স য়ুনিটনা ইজরেলদা কাপশিল্লকখিবা মিসাইল কয়া নোংথক্তা মাঙহনখি। অদুবু ইন্তরসেপ তৌবা ঙমহৌদবা মিইল অনী তাশিল্লকপদগী মীশি মীনাগী থৌদোক অদু থোকখিবনি।

লাটাকিয়া সিটিদা তাশিল্লকখিবা মিসাইল অনী না পোকখায়রকপদগী মনাক নক্লা লৈরম্বা সিবিলিয়ন প্লাষ্টিক ফেক্তরি অমা চাওনা অমাং অতা থোকহনখ্রে।

মনাক্তা লৈরম্বা মীওই অমসু পোকখায়বদগী পাইথোরকপা মচেৎ মকায়শিংনা পানবদগী শিখি। অদুগা ৬ না শোকখিবনি। শোক্লবশিং অদুগী মনুংদা নুপী অমা য়াওরি। লটাকিয়া অসি সিরিয়া গভর্ণমেন্টকী য়াম্না মরু ওইবা মফম অমনি। সিটি অসিদা সিরিয়াগী প্রসিদেন্ট বাসর অল অসাদকী হান্নগী ময়ুমসু লৈরি।

অমরোমদা ঙসি চথখিবা এটেক অদুগী মতাংদা ইজরেল মিলিটরিগী মায়কৈদগী ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকপা লৈত্রি। অদুমওইনমক সিরিয়াগী মায়কৈদগীদি এটেক অদু ইজরেলনা চথখিবনি হায়না মরাল শীরক্লি।

# ডোক্তরশিংনা ফোঙদোকখিবা মশীংদগী অনী হেনগত্তুনা মালি নুপী অমনা অমুক্তদা অঙাং ৯ পোকখ্রে

বমাকো, মে ০৫ (এজেন্সী) :

মালিয়ান নুপী অমনা ঙরাং অমুক্তদা অঙাং ৯ পোকখ্রে হায়না মালি ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরকখিবগা মতুং ইন্না ডোক্তরশিংনা অঙাং ৭ মহাক্কী অঙাং খাওদা য়াওরি হায়না ফোঙদোকখিবদুদগী অনী হেনগৎলগা অঙাং ৯ পোকখিবনি হায়রি।

ৱেষ্ট অফ্রিকান নেসনদা লৈবী মশাগী চহী ২৫ রোম শুরবী হলিমা সিসে মীরোল্লকপা মতমদা ডোক্তরশিংনা মহাক অমুক্তদা অঙাং ৭ পোক্কনি হায়না ফোঙদোকখ্রবা মতুং লৈবাক অদুগী লুচিংবা কয়ানা হলিমাদা অহেনবা মীৎয়েং থম্বা হৌরকখি। হৌখিবা মার্চথাদা ডোক্তরশিংনা হলিমা স্পেসেলিষ্ট ডোক্তরশিংগী মথৌ তাই হায়না ফোঙদোকখ্রবা মতুং মালিগী ওথোরিটিশিংনা মহাক পু মোরোকোদা পুদুনা লাকখি। মদুগী মতুং ঙরাং মহাক অঙাং ৯ পোকখিবনি। মহাক্না পোকখিবা অঙাংশিং অদুগী মনুংদা ৫ দি নুপীনি অদুগা ৪ না নুপানি। হলিমাগী ফীভম হৌজিক খুদোংথিনিংঙাই ওইদ্রে হায়না মালিগী হেল্থ মিনিষ্টর উফান্তা সিবিনা ফোঙদোকখ্রে। মোরোকোগী ডোক্তরশিংনা অল্ট্রাসাউন্দ লৌখিবা মতমদা হলিমাগী অঙাং খাওদা অঙাং ৭ লৈ হায়না ফোঙদোকখিবনি। অদুবু মখোয়না ওপরেসন তৌদুনা অঙাংশিং অদু পোকখিবা মতমদা পুন্না ৯ শুরমখিবনি হায়রি। অমুক্তদা অঙাং ৯ পোকপগী থৌদোক অসি মালেমদা য়াম্না তাঙনা থোকপা থৌদোকশিংগী মনুংদা অমনি। সাইন্টিষ্টশিংনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না অঙাংশিং অদুগী মনুংদা খরদি চহী শুদ্রিঙৈদা শিবগী চাং য়াম্না ৱাংই হায়রি।

# ব্রাজিলনা লেপ্পা লৈতনা উমং কোকথোক্লিবা অদুগী মতাংদা য়ুরোপকী ফার্মশিংনা অকনবা ৱার্নিং তৌখ্রে

ঈ য়ু, মে ০৫ (এজেন্সী) :

ব্রাজিলনা উমং কয়া লেপ্পা লৈতনা কোকথোক্তুনা লৌউ শিংউনবগী থবকশিং পায়খৎলিবা অদুগী মতাংদা য়ুরোপিয়ন কম্পনিশিংনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা উমং কোকথোকপগী থবক খুদক্তগী লেপ্পদবনি হায়না অকনবা ৱার্নিং তৌখ্রে হায়রি।

এমাজোন রেন ফোরেষ্টকী শরুক কয়া ব্রাজিলনা লেপ্পা লৈতনা কোকথোকপগী থবকশিং চথুরি। লোনা য়াদবা মওংদা এমাজোন রেন ফোরেষ্টগী উমংশিং কোকথোক্লিবা অদু তৌদনবা মমাংদসু য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী লৈবাকশিংনা খঙহনবা লৈখ্রে। ব্রাজিলদা লৈরিবা অচৌ অচৌবা কম্পনিশিংনা রেন ফোরেষ্টতগী অতাঙবা মখলগী উ পাম্বী কয়া য়াম্থত্তুনা মরনাই কান্ননবা শীজিন্নরি।

এমাজোন রেন ফোরেষ্ট কোকশিল্লকপনা চৈথেং পীরিবা অসি লৈবাক খরা খক্তা নত্তে। মালেমদা লৈরিবা লৈবাক খুদিংমক্তা চৈথেং পীরিবনি। মালেমগী অঙ্গীং অশাগী খল কাইথরকপদসু এমাজোন রেন ফোরেষ্ট কোকথোকপগা মরী য়াম্না লৈনৈ। হীরম অসিগা মরী লৈননা য়ুরোপিয়ন কম্পনিশিংগী গ্রুপ অমনা ব্রাজিলিয়ন লেজিসলেচরশিংদা ঙসি অইবা চেরোল পীদুনা খঙহনখ্রে।

উমং কোকথোকপনা চৈথেং পীরিবা অসি মীওই খুন্নাই খক্তনা নত্তনা থৱায় পানবা



খুদিংমক্তনি হায়বসি ব্রাজিল ওথোরিটিশিংনা মতম চুপ্পা নীশিংগদবনি। এমাজোন রেন ফোরেষ্টপু য়োকখৎনবা লৈবাক কয়ানা আপীল তৌখ্রবসু ব্রাজিলনা মদুবু থওইনা লৌবা লৈত্রি। হৌখিবা কুমজা ২০১৮ দসু এমাজোন রেন ফোরেষ্টতা পাক শন্না মৈ চাকপগী থৌদোক থোকখ্রে। মদুনা মরম ওইরগা উমং অদুদা শৈদাংদুনা লৈরিবা অতাঙবা মখলগী শা কয়া শিহনখি।

হৌখিবা চহী ১২ রোম অসিদা ব্রাজিলনা উমং কোকথোকপগী থবক তোয়না চথুরি। ব্রাজিলিয়ন প্রসিদেন্ট বোলসোনারোদসু হীরম অসিগী মতাংদা অইবা চে পীদুনা খঙহল্লগনি। লাক্লিবা কুমজা ২০২২ ফাওবগী মনুংদা লোনা য়াদবা মওংদা উমং কোকথোকপগী থবক মপুং ফানা থিংগনি হায়না চহী অসিগী এপ্রিল থাদা প্রসিদেন্ট বোলসোনারোনা ফোঙদোকপা লৈখ্রে। য়ু এস য়াওনা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী লৈবাকশিংনসু ক্লাইমেট চেঞ্জকী মতাংদা য়াম্না তোয়না খন্নবা হৌরক্লি। ব্রাজিলনসু হীরম অসিদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা পায়খৎফম থোকপা থবকশিং মতম চানা পায়খৎকদবনি হায়রি।